ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯦ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯴꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মে ০৬, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৪২শুবা মশীং

# মে ৩, ২০২৩

## কনানা থোকহনবনো

মে ৩, ২০২৩ ফাওবদদি ‘মে ৩’ অসি মণিপুরদা লৈমিন্নরক্লিবা মীওই পুম্নমক্কী য়েক্নবা, ষ্টেটসিগী মায়োক্তা লৈবা অকক্নবা নুমিৎ অমা ওইরকপগুম্না তৌরক্লে। মরমদি চহী খরগী মমাঙদা তম্পাক্তা খুন্দামিন্নরকখিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা থোকখিবা থোকহন্নীংদবা মীশি-মীনাগী থৌদোক্কুসু ‘মে ৩’ দনি। অদুবু হন্দক চহী খরগী মতুংদা নুমিৎসি মক্তদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসিবু করিনো? করিদগী থোকখিবনো? অমসুং কনানা থোকহনবনো? ৱাহংশিংসিগী পাউখুম পাম্মী। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পীরকউ। নুমিৎসিদা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ-ক্বার্টরশিংদা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) না শীন্দুনা সোলিদরিটি রেল্লি অমা পাঙথোক্কনি হায়দুনা থৌরাং তৌখিবদু মণিপুর গভর্ণমেন্ট তাহৌদব্রা? অদুগা সোলিদরিটি উৎপগী খোঙচৎতু চৎকনি হায়রকপগী মরমসু খঙখিদব্রা? অনীমকসি তাহৌদে অমসুং খঙহৌদে হায়রক্লগদি মীয়ামগী লৈঙাক অমা লৈবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা হায়বনি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মার্চ ২৭, ২০২৩দা মণিপুর লৈঙাক্তা মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবগী থবক চয়োল মরিগী মনুংদা পায়খৎনবা পীখিবা ওর্দরদুগী কোপি ফংবগা অটসুমনা এপ্রিল ২১, ২০২৩দা হায় কোর্টনা ওর্দর পীখিবা নুমিৎতুবু মণিপুরগী চীংমী মীয়ামগী ‘ব্লেক লেট্টর দে’ নি হায়দুনা লাওথোকখ্রবনি। মসিগী মতুংদা মে ৩, ২০২৩গী খোঙচৎতু শিনখিবনি। মসি ওইরগদি রেল্লিসিমক চৎহন্দনবা, মী পুলহন্দনবা লৈঙাক্লা মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌদুনা রেল্লিদু চৎহল্লমদবা তারবদি নুমিৎসিদগী হৌরদুনা থোকখ্রিবা উৎ অমসুং তাঙ্গোই ওনবগী থৌদোকশিংদু লান্মে চাকপগুম শন্দোক্লমখিগদ্রা হায়বনি।

সোলিদরিটি রেল্লিদু চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর খক্তদা চৎখিবা নত্তে। তেংনৌপল অমসুং চান্দেলদসু চৎখি। অদুবু অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতনা হেন্না ‘ৱাইল্ড’ ওইখ্রিবনা দিষ্ট্রিক্টসিগীদি হান্নদগী প্রোটেক্টেদ অমসুং রিজার্ভ ফোরেষ্ট, ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচ্যুরি অমসুং ৱেটলেন্দশিং সর্ভে তৌগনি হায়রুবদগী মসিগী মায়োক্তা দিষ্ট্রিক্টসিগী মীয়াম লেপ্লক্তুনা ঈরাং খরসু থোকখ্রবনি। চীফ মিনিষ্টরনা শঙ্গাগনি থৌরাংখিবা ওপন জিমগী পোৎলমশিং শীংকুপ শানা য়ানখাইরগা মৈনা তুম্না থাদোকখ্রিবনি। চুড়াচান্দপুরগী এম এল এ, এল এম খৌতেগী চহী ফারকপগী থৌরম পাঙথোক্কদবা সদভবনা মান্দবতসু অকাই-অতোই থোকহনখ্রবনি। অসিগুম্বা মমাঙগী থৌদোকসি লৈখ্রবা মতুংদা সোলিদরিটি রেল্লি চৎকনি হায়দুনা শাওরিবা মীয়াম মফম অমত্তদা পুনশিল্লক্লগদি করি ওইরকপা তাবগে? মরম অসিনা য়ারিবমখৈ মীয়াম পুলহন্দনবা পুনবা হৌরকপদা মাঙজৌননা মতেক মতেক তিনখৎলকপদা নম্ফুদা থুগাইদুনা পুলহন্দনবা অরৈবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং শীজিন্নদুনা থিংহৌরমগদবনি। হোয়, হৌববুদি হৌখ্রে অদুবু লৈঙাক্লা, মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা অয়ম্বদৌনা মখূৎ তুংবুন্নরগা চগৌ য়েংদুনা লৈহৌবনা হৌজিক্তি করি শারগে? মসি পুম্নমক থোরক্কনি খনবা ঙমহৌদবা কোকশিংদুবু মীয়ামগী লৈঙাকলোন খূৎপায়নদুনা ৱায়েল থৌদাবদা মতিক চারিব্রা? মরম অসিনা লৈরিবা মীয়ামগী লৈঙাক্কী হায়রিবসি মীয়াম্না পামদ্রে। মসিগী মহুৎ পুল্লপ শিন্দোকপা য়াবা অতোপ্পা লৈঙাক্লোন অমদুনা হেন্না ফরগদ্রা হায়বগী ৱাফম লাক্নরকপা শোয়দ্রবনি। হৌজিক্তি করি তৌগদগে হায়বসিদা মায় ওনশিল্লু। থোকখ্রবা থৌদোকশিংদুগী তেকচাকসু পুগদবনি।

# ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳


## ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯕꯅꯣ

ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ ꯐꯥꯎꯕꯗꯗꯤ ‘ꯃꯦ ꯳’ ꯑꯁꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯥ ꯂꯩꯃꯤꯟꯅꯔꯛꯂꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤ ꯌꯦꯛꯅꯕꯥ, ꯁ꯭ꯇꯦꯠꯁꯤꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯂꯩꯕꯥ ꯑꯀꯛꯅꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯔꯀꯄꯒꯨꯝꯅꯥ ꯇꯧꯔꯛꯂꯦ꯫ ꯃꯔꯃꯗꯤ ꯆꯍꯤ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯇꯝꯄꯥꯛꯇꯥ ꯈꯨꯟꯗꯥꯃꯤꯟꯅꯔꯀꯈꯤꯕꯥ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯃꯁꯦꯂꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯕꯥ ꯃꯤꯁꯤ-ꯃꯤꯅꯥꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯛꯀꯨꯁꯨ ‘ꯃꯦ ꯳’ ꯗꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯍꯟꯗꯛ ꯆꯍꯤ ꯈꯔꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯁꯤ ꯃꯛꯇꯗꯥ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯤꯅꯣ? ꯀꯔꯤꯗꯒꯤ ꯊꯣꯛꯈꯤꯕꯅꯣ? ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯀꯅꯥꯅꯥ ꯊꯣꯛꯍꯟꯕꯅꯣ? ꯋꯥꯍꯪꯁꯤꯡꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯄꯥꯝꯃꯤ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯇꯅꯥ ꯄꯤꯔꯀꯎ꯫ ꯅꯨꯃꯤꯠꯁꯤꯗꯥ ꯆꯤꯡꯒꯤ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯍꯦꯗ-ꯀ꯭ꯋꯥꯔꯇꯔꯁꯤꯡꯗꯥ ꯑꯣꯜ ꯠꯔꯥꯏꯕꯦꯜ ꯁ꯭ꯇꯨꯗꯦꯟꯇꯁ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ (ꯑꯇꯁꯨꯝ) ꯅꯥ ꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯁꯣꯂꯤꯗꯔꯤꯇꯤ ꯔꯦꯂꯤ ꯑꯃꯥ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯇꯧꯈꯤꯕꯗꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯒꯚꯔꯅꯃꯦꯟꯇ ꯇꯥꯍꯧꯗꯕ꯭ꯔꯥ? ꯑꯗꯨꯒꯥ ꯁꯣꯂꯤꯗꯔꯤꯇꯤ ꯎꯠꯄꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇꯨ ꯆꯠꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯀꯄꯒꯤ ꯃꯔꯃꯁꯨ ꯈꯪꯈꯤꯗ꯭ꯔꯥ? ꯑꯅꯤꯃꯛꯁꯤ ꯇꯥꯍꯧꯗꯦ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯈꯪꯍꯧꯗꯦ ꯍꯥꯌꯔꯛꯂꯒꯗꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯃꯥ ꯂꯩꯕꯒꯤ ꯋꯥꯍꯟꯊꯣꯛ ꯂꯩꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯥꯏ ꯀꯣꯔꯠ ꯑꯣꯐ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯅꯥ ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯷, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯥ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯂꯩꯉꯥꯛꯇꯥ ꯃꯤꯇꯩ/ꯃꯩꯇꯩꯕꯨ ꯁꯦꯗ꯭ꯌꯨꯜꯗ ꯠꯔꯥꯏꯕꯀꯤ ꯂꯤꯁ꯭ꯇꯇꯥ ꯆꯜꯍꯟꯅꯕꯒꯤ ꯊꯕꯛ ꯆꯌꯣꯜ ꯃꯔꯤꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗꯥ ꯄꯥꯌꯈꯠꯅꯕꯥ ꯄꯤꯈꯤꯕꯥ ꯑꯣꯔꯗꯔꯗꯨꯒꯤ ꯀꯣꯄꯤ ꯐꯪꯕꯒꯥ ꯑꯇꯁꯨꯃꯅꯥ ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯱, ꯲꯰꯲꯳ꯗꯥ ꯍꯥꯏ ꯀꯣꯔꯇꯅꯥ ꯑꯣꯔꯗꯔ ꯄꯤꯈꯤꯕꯥ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯨꯕꯨ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯆꯤꯡꯃꯤ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ‘ꯕ꯭ꯂꯦꯛ ꯂꯦꯇꯔ ꯗꯦ’ ꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯎꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯃꯦ ꯳, ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯈꯣꯡꯆꯠꯇꯨ ꯁꯤꯟꯈꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤ ꯑꯣꯏꯔꯒꯗꯤ ꯔꯦꯂꯤꯁꯤꯃꯛ ꯆꯠꯍꯟꯗꯅꯕꯥ, ꯃꯤ ꯄꯨꯂꯍꯟꯗꯅꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯕꯥ ꯆꯦꯀꯁꯤꯟ ꯊꯧꯔꯥꯡꯁꯤꯡ ꯂꯧꯈꯠꯍꯧꯗꯨꯅꯥ ꯔꯦꯂꯤꯗꯨ ꯆꯠꯍꯜꯂꯝꯗꯕꯥ ꯇꯥꯔꯕꯗꯤ ꯅꯨꯃꯤꯠꯁꯤꯗꯒꯤ ꯍꯧꯔꯗꯨꯅꯥ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕꯥ ꯎꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯥꯡꯒꯣꯏ ꯑꯣꯅꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯗꯨ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯆꯥꯀꯄꯒꯨꯝ ꯁꯟꯗꯣꯛꯂꯝꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫

ꯁꯣꯂꯤꯗꯔꯤꯇꯤ ꯔꯦꯂꯤꯗꯨ ꯆꯨꯔꯥꯆꯥꯟꯗꯄꯨꯔ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯍꯦꯗ ꯀ꯭ꯋꯥꯔꯇꯔ ꯈꯛꯇꯗꯥ ꯆꯠꯈꯤꯕꯥ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯇꯦꯡꯅꯧꯄꯥꯜ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯟꯗꯦꯜꯗꯁꯨ ꯆꯠꯈꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯡꯗꯒꯤ ꯆꯨꯔꯥꯆꯥꯟꯗꯄꯨꯔ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯇꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ‘ꯋꯥꯏꯜꯗ’ ꯑꯣꯏꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯥ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯒꯤꯗꯤ ꯍꯥꯟꯅꯗꯒꯤ ꯄ꯭ꯔꯣꯇꯦꯛꯇꯦꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯔꯤꯖꯔꯚ ꯐꯣꯔꯦꯁ꯭ꯠ, ꯋꯥꯏꯜꯗ ꯂꯥꯏꯐ ꯁꯦꯡꯀꯆꯨꯔꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯋꯦꯇꯂꯦꯟꯗꯁꯤꯡ ꯁꯔꯚꯦ ꯇꯧꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯨꯕꯗꯒꯤ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇꯥ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯂꯦꯞꯂꯛꯇꯨꯅꯥ ꯏꯔꯥꯡ ꯈꯔꯁꯨ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔꯅꯥ ꯁꯉ꯭ꯒꯥꯒꯅꯤ ꯊꯧꯔꯥꯡꯈꯤꯕꯥ ꯑꯣꯄꯟ ꯖꯤꯃꯒꯤ ꯄꯣꯠꯂꯃꯁꯤꯡ ꯁꯤꯡꯀꯨꯞ ꯁꯥꯅꯥ ꯌꯥꯟꯈꯥꯏꯔꯒꯥ ꯃꯩꯅꯥ ꯇꯨꯝꯅꯥ ꯊꯥꯗꯣꯛꯈ꯭ꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯆꯨꯔꯥꯆꯥꯟꯗꯄꯨꯔꯒꯤ ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯜ ꯑꯦ, ꯑꯦꯜ ꯑꯦꯝ ꯈꯧꯇꯦꯒꯤ ꯆꯍꯤ ꯐꯥꯔꯀꯄꯒꯤ ꯊꯧꯔꯝ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕꯥ ꯁꯗꯚꯕꯅꯥ ꯃꯥꯟꯗꯕꯇꯁꯨ ꯑꯀꯥꯏ-ꯑꯇꯣꯏ ꯊꯣꯛꯍꯟꯈ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕꯥ ꯃꯃꯥꯡꯒꯤ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤ ꯂꯩꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡꯗꯥ ꯁꯣꯂꯤꯗꯔꯤꯇꯤ ꯔꯦꯂꯤ ꯆꯠꯀꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅꯥ ꯁꯥꯑꯣꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯇꯨꯗꯥ ꯄꯨꯅꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯒꯗꯤ ꯀꯔꯤ ꯑꯣꯏꯔꯀꯄꯥ ꯇꯥꯕꯒꯦ? ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯌꯥꯔꯤꯕꯃꯈꯩ ꯃꯤꯌꯥꯝ ꯄꯨꯂꯍꯟꯗꯅꯕꯥ ꯄꯨꯅꯕꯥ ꯍꯧꯔꯀꯄꯗꯥ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯅꯥ ꯃꯇꯦꯛ ꯃꯇꯦꯛ ꯇꯤꯅꯈꯠꯂꯀꯄꯗꯥ ꯅꯝꯐꯨꯗꯥ ꯊꯨꯒꯥꯏꯗꯨꯅꯥ ꯄꯨꯂꯍꯟꯗꯅꯕꯥ ꯑꯔꯩꯕꯥ ꯁꯤꯀꯨꯔꯤꯇꯤ ꯄꯔꯁꯣꯅꯦꯂꯁꯤꯡ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯊꯤꯡꯍꯧꯔꯃꯒꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯣꯌ, ꯍꯧꯕꯕꯨꯗꯤ ꯍꯧꯈ꯭ꯔꯦ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ, ꯃꯔꯤ ꯂꯩꯅꯕꯥ ꯗꯤꯁ꯭ꯠꯔꯤꯛꯇ ꯑꯦꯗꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯠꯔꯦꯁꯅꯅꯥ ꯑꯌꯣꯝꯕꯗꯧꯅꯥ ꯃꯈꯨꯠ ꯇꯨꯡꯕꯨꯟꯅꯔꯒꯥ ꯆꯒꯧ ꯌꯦꯡꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯍꯧꯕꯅꯥ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯀꯔꯤ ꯁꯥꯔꯒꯦ? ꯃꯁꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯊꯣꯔꯛꯀꯅꯤ ꯈꯟꯕꯥ ꯉꯃꯍꯧꯗꯕꯥ ꯀꯣꯀꯁꯤꯡꯗꯨꯕꯨ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯀꯂꯣꯟ ꯈꯨꯠꯄꯥꯌꯅꯗꯨꯅꯥ ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯊꯧꯗꯥꯕꯗꯥ ꯃꯇꯤꯛ ꯆꯥꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯃꯔꯝ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯌꯥꯃꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯀꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯁꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯄꯥꯃꯗ꯭ꯔꯦ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯍꯨꯠ ꯄꯨꯜꯂꯞ ꯁꯤꯟꯗꯣꯀꯄꯥ ꯌꯥꯕꯥ ꯑꯇꯣꯞꯄꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯣꯟ ꯑꯃꯗꯨꯅꯥ ꯍꯦꯟꯅꯥ ꯐꯔꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯐꯝ ꯂꯥꯛꯂꯀꯄꯥ ꯁꯣꯏꯗ꯭ꯔꯕꯅꯤ꯫ ꯍꯧꯖꯤꯛꯇꯤ ꯀꯔꯤ ꯇꯧꯒꯗꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯥ ꯃꯥꯌ ꯑꯣꯟꯁꯤꯜꯂꯨ꯫ ꯊꯣꯛꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯊꯧꯗꯣꯀꯁꯤꯡꯗꯨꯒꯤ ꯇꯦꯀꯆꯥꯀꯁꯨ ꯄꯨꯒꯗꯕꯅꯤ꯫

# কোন্না ফবা ওইনদুম পামজৈ

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



হান্না ফবা পামজদ্রে। হান্না ফবা ময়াম থেংনজখ্রে। নুপা খঙদে নুপী খঙদে, অঙাং, লৈশাবী, পাখং লোইনমক হান্না ফবা-ফবী ঙাক্তনি। হান্না ফত্তবা কনা অমত্তা লৈবা নত্তে। হৌরকপদা, পোল্লকপদা লোইনা ফনা পোল্লকপা ঙাক্তনি। কোন্না হিংচানরকপা, হিংচানরকপী ঙাক্তনি।

হান্না ফরম্বগী মনুং চন্না অমখক লৌখৎচরবদা ঐখোয় লৈকায়গী ইনাও বীরচন্দ্রসু অমসুনি। লাইরিক য়াম্না ফনা হৌরকই। ক্লাস টেন পরিক্ষাদা পোজিসন লেপ্লকই। উনবদা মোমোন মোমোন নোকই। মীকৌ মীরম ফজে। মমায়ফাও হঙ্গৎনা য়েংজবা ঙম্বা মী ওইদে। ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদে। হোৎনবা কল্লি। ঙাইহাক্তা পোথাদে। ঙাওশিন্নবা মী নত্তে। লৈকায়না ঙাঙনৈ। মাগী মতৌ তম্মু, মতৌ তম্মু হায়না হায়নৈ। লৈঙাক্কী থবক অমা ফংখি। তোলোপ চাউনা চাবা। মাগী নুপীসু তোলোপ চাউনা চাবী থবক চাউনা তৌবীনি। মখোয় থবক তৌবা মশেল লৌনবনি। মখোয়মুক নুংঙাইবা মী লৈত্রে হায়বা য়ারে। হৌজিক্তি নোল্লুকপা লৈখিদ্রে। মোমোন মোমোন নোক্লম্বা অদুসু লৈত্রে। মী খুদিংবু মীনাইদৌনা উবা হৌরে। মীঙোন্দা থীনা থীনা ঙাঙবা হৈরে, ৱা চাউনা চাউনা পোকখায়রগা ঙাঙলে। মমায় হাইগৎ হাইগৎলগা চৎলে, চাক মহী থক থক্তুনা লাক্লগা মীঙোন্দা খৎনবা হৌরে। মসিবু হান্না ফবা, কোন্না হিংচারকপা হায়বা অদুগী মনুং চল্লোইদজাৎলা? হান্না তকখত্তনা ফরমখ্রবা বীরচন্দ্র হৌজিক্তি মীয়াম্না ইকায়খুম্নদবা মী ওইরে, ইকায়বা পোকপা মী অমা ওইরে। শেল চাবদা, শক তাখৎপদা মাগী লম্বা পাবীনবা মী লৈতে হায়নরে। মসিনি হান্না ফরম্মগা কোন্না হিংচা য়াইতল্লকপগী থৌদোক।

হান্না য়াম্না ঙাওশিন্নরম্বা হৌজিক্লা পুরা মানা হান্না তৌরম্বদুগা মনীং মমাঙ পুরা পুরি ওন্থোক্লরবা নুপা অমসু লৈ। মমিংদি পল্লরোই, পাউচেগী ঐগী কলম পাবা মীনা মঙোন্দা অমুক হায়দোক্লদুনা ঐঙোন্দা অমুক ইকায়বা পীশিল্লকপা য়াই। হান্নদি নুপীগী মকোক্তা নেৎলগা মশম ফোয়রম্বা নুপা অমনি। মাগী মখূৎতা নুপী অঙাং ময়াম অমসু হাৎখ্রবা নুপা অমনি। মানা গুন্দা থাজিল-থাজিল্লগা মী কয়া ফূধখ্রবনি, হাৎখ্রবনি। হৌজিক্তি পুরা নুপীদৌনা ঈং তপখ্রে। য়াম্না জ্ঞান তাবা মীশক অমা ওইখ্রে। মহাক হৌজিক ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নখিদ্রে। মী খৎনখিদ্রে। মাগী নুপী লুনা তৌবীরে। য়ূমগী থবক ইনখাং ফজনা শুরে। মসিনি চাউরাক্লা কোন্না ফরকপগী শক্তম।

ঐদি শুম শুপচিন্না হেক থমজৌ হায়বিরবদি, হান্না ফরম্মগা কোন্না হিংচারকপা মীগা, হান্না হিংচারক্লগা কোন্না অফবা ওইরকপা মীগা অনীসি কোন্না ফরকপা মী অদু ওইনা পামজৈ। মীওইবনা য়াম্না দিমান্দ লৈরিবা তম্বা নুপাদি মদুগুম্বা নুপা অদুনি।

মীখল মমাঙ অসিদা কেন্দিদেট কয়া অমনা মীখল তিংখত্তনা খোম্নরি। মীঙোন্দা পেলহন্নবা তৌবা য়াবা তৌরি। ঙাঙবা য়াবা ঙাঙলি। মাগা লোয়নবা মরোই মনাও কয়ানা মাবু থাগৎশিন্দুনা অমুক হেন্না ফবসু মালহন্নরি। পাউচেদা মাগী মাগী অফবা অদু হাপ্নরি, ইনরি। খ্বাইদগী তাঙলবা তাঙদৈ তাঙলবা অফবা মীনি হায়বদু উৎনবা হোৎনরি।

মীরেপ ওইদ্রিঙৈ মমাঙ মমাঙ, মীহুৎ ওইনা কাদুনা লৈরিঙৈ মনুংদা অফবা থবক কয়া তৌরম্মী হায়না হায়নরি। হায়বিহল্লি। লাউহল্লি। অফবনি হায়নবা লাক্লনরি। মদুদা মীয়াম্না থাজবা থাজদবা হায়বদুনা অমা ওইনা লৈখ্রগা। অদুবু ৱাখল তোঙান্না খনবা মীওইশিংনদি হান্না ফবা কেনি দদেট পামদে, কোন্না ফবা মীরেপ ওইনা পাম্মী হায়রক্কনি। মীরেপ অদু হান্নগীদি লুটর, রেপিষ্ট, গুন্দা, মী হাৎপা, তাকু তাকাটি ওইসনু কোন্নবু ফবিগে হায়রদি কৈসু কায়দে। হান্না ফৈ ফৈ হায়দনা হায়রগা কোন্না ঐনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা মীশকশিং অসি অমুক ওইখৎলক্লবদি থাদজরুরিবা ভোট অদু ঐবু ফূবীনবা চৈ ঐনা খঞ্জবগা চপ হেক্তা মান্নদৌরি। করম্নো লৈবাক মচাশা? ঐদি হান্না ফবা মী পামদ্রে, হান্না ফবা মীনা অফবা মী সুম ওইদুনা লৈনি হায়বসিদি ঐ থাজবা শুকঙম হেক ঙম্মোইদৌরে। কোন্না ফগে হায়দনা ইমা কন্থি ঙৌ চা শিগে হায়না হেক্তা ৱাশকউসে। ঐ ভোট হেক্তমক থাদজগে হরাউ হরাউ! মীনম্মকপা তোয়মল্লক্তুনা কনামত্তনা হায়বা থাজবা ঙমদ্রে ঐ। কোন্না ফগে হায়না ৱাশকপা ঙমগদবা মীসু লোইনমক ওইরক্কনি। মসিমসু লুরি।

অমরোমদা অফবা মীনি হায়দনা কনানা রেক্কমেন্দ তৌদৌরি? মদুম্মক তৌরগনা কোন্না ফবা মীদি ওইগদ্রা? কোন্না ফবা ঙমগদবা মীনা কনা কনানা ওইদৌরিবা? হান্না ফৈ হায়বদুদি পামদ্রে, হান্নসু ফবা কোন্নসু ফবা ঙম্বীগদবা ওইরগদি মফৈ।

ভোট থাদফমসু খঙলোইদৌরি? ঐনা গুলাপ মার্কাদা ভোট থাদরুনি, নোংঙানফাৎত্রিঙৈ হঙোই ওন্দুনা নুমিৎলৈ মার্কা ওল্লম্মী। দেল্লীদা পানবদা অদুম চৎখিনি। লুরিবদি কোন্না ফবা মীনি। কোন্না ফবা মী।! ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ উ-মরোয় # ৩৮৯

**– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –**

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

উ-মরোয় হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ১৫ ফাওবা ৱাংবা অদুগা মনা অদু এঞ্জাং থোংবদা মহাউ হেঙ্গৎহন্নবা অমদি মখল কয়াগী অচা-অথকশিং শাবদা পাম্না শীজিন্নবা উ পাম্বী মচা অমনি। উ-মরোয় পাম্বী অসি হিন্দিদা করী পট্টা (Curry patta) নৎত্রগা কাথনীম (Kathnim) নৎত্রগা মিথা নীম (Mitha neem) নৎত্রগা বর্সাঙ্গ (Barsang), ইংলিসতা করী পট্টা লিফ (Currpy patta leaf) নৎত্রগা করী ত্রী (Curry tree), অসামিজদা নর্সিংহ বিশাহারী (Narasingha bishahari), বেঙ্গোলিদা বর্সাঙ্গ কর্টাফুলি (Barasanga Kartaphulli), গুজরাটিদা গোরেনীম্ব (Gore-nimb), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা মুরায়া কোনিগাই (Murraya Koenigii (L.) Sprengel) নৎত্রগা বর্গেরা কোনিগাই (Bergera Koenigii L.) হায়না কৌই অমসুং রুতেসী (Rutaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি : নোবাব পাম্বী - পোমেলো (Citrees maxima Merr.), ঙাং পাম্বী - প্রীক্লি এস ত্রী (Zanthoxylum rhetsa (Roxb.) DC.), য়োং কোম্লা পাম্বী - ওরেঞ্জ বেরী (Glycosmis pentaphylla (Retz.) DC.) অসিনচিংবনি।

ফুট ১৫ রোম ৱাংবা উ-মরোয় পাম্বী অসিগী মউ অদু সেন্টিমিটর ৩০ ফাওবা চাওই। পাম্বী অসিগী মনা অদুদা অপীকপা মনা-কয়াৎ ১১দগী ২১ ফাওবা নাকল অনীমক্তা ফন্দোক্তুনা পাল্লি। ঙৌরুনবা মচুগী মনম নুংশিরবা লৈ কয়ামরুম চবুন ওইনা মসাগী মতোন্দা পাল্লি। এপ্রিল অমসুং মে থাগী মতমদা শাৎপা লৈশিং অদু মখা তারকপা থাশিংদা খূৎনাওবীমুক চাওনা হৌরকপদা ঙাংশং ঙাংলবসু কোন্নদি অমুবা মচু ওইরকপা মহৈশিং অদু পাল্লি। মহৈ অদু পেৎ মেৎখায়বদা নাং-নাং লাউবা অনংবা মহী অমা থোকই।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না উ-মরোয় পাম্বী অসি ইন্দিয়া অমসুং শ্রীলঙ্কাদগী হৌরকখিবনি। পাম্বী অসি ইন্দিয়া, নেপাল, ভুটান, শ্রীলঙ্কা, পাকিষ্টান, বাংলাদেশ, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, লাওস অমসুং ভিয়েটনামদা মহৌশাগী ওইনা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। অশাবা ত্রোপিকেল অমসুং খরা শারপ তৌবা সব ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা উ-মরোয় পাম্বী অসি ইন্দিয়াগী মফম কয়ামরুমদা পাক শন্না থানবগী মথক্তা ওষ্ট্রেলিয়াদসু থাবা হৌখরে। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু পাম্বী অসি য়ূমগী অকোয়বদা অমসুং ইস্কোলদা থাবা থেংনৈ। পাউদমশিংগী মতুংইন্না গিরিনিম্বাইন (Girinimbine), মহানিম্বাইন (Mahanimbine) হায়রিবা কম্পাউন্দশিং অসিগী মথক্তা কেরোতিনোইদ, বিতা-কেরোতিন, কেলসিয়ম অমসুং আইরন অসি উ-মরোয় পাম্বীগী মনাদা চাং ৱাংনা য়াওই। মসিগী মথক্তা মুরায়াসিন (Murrayacine), কোয়েনিন (Koenine), মুরায়ানিন (Murrayanine), আইসোমুরায়াজোলিন (Isomurrayazoline), মহানিন (Mahanine), কোইনিজিন (Koenigine) নচিংবশিং অসিসু উ-মরোয় পাম্বীগী মনাদা য়াওই। উ-মরোয় পাম্বীগী জেনেরিককী ওইবা মমিং মুরায়া হায়বসি কুমজা ১৭৪০দগী ১৭৯১ ফাওবা হিংলম্বা Johan Andreas Murray হায়রিবা অফাওবা বোটানিষ্ট অসিগী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি অদুগা স্পিসিস কোনিগাই হায়বসিনা অফাওবা বোটানিষ্ট Johann Gerhard Konig কী মমিং লৌদুনা থোনখিবনি।

উ-মরোয় পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। ইন্দিয়াগী অচা-অথকশিং মরু ওইনা এঞ্জাংদা উ-মরোয় পাম্বীগী মনা অসি তৎন-থানবা য়াদ্রবা মচল অমা ওইদুনা লাক্লি। এঞ্জাংগী থাও ঙৌবদা উ-মরোয় পাম্বীগী মনা অসি তিলহৌগা পূন্না ঙৌমিন্নবসি থোইদোক্লা মরু ওই। থোরান (Thoran), বারা (Vada), রাসম (Rasam) অমসুং কাধী (Kadhi) হায়রিবা মথেলশিং অসি শেম্বদা উ-মরোয়গী মনা অসি য়াওদবা য়াদে। উ-মরোয় পাম্বীগী মনা অদু ঙৌথোক্লগা মসলা শেম্বদা পাম্না শীজিন্নৈ। খা-ভারতকী মসলা দোশা অমসুং সাম্বর মসলা অদুদা উ-মরোয় পাম্বীগী মনা অসি য়াওদবা য়াদে। কম্বোদিয়াগী মাজু ক্রুয়েং (Maju Krueng) হায়রিবা এঞ্জাং মহী অসি থোংবদা উ-মরোয় পাম্বীগী মনা অসি মরু ওইবা মচল অমা ওইনা য়াওরিবনি। জভাদসু গুলাই (Gulai) অসি শেম্বদা উ-মরোয় অসি মচল অমা ওইনা য়াওই। মসি হৱাই থোংবদা পাম্না থাক্লে।

উ-মরোয় পাম্বী অসিদা মীওইবগী হকচাংদা থোইদোক্লা কান্নহনবগী মথক্তা অনা-লায়েং মখল কয়াদসু শীজিন্নৈ। উ-মরোয় পাম্বীগী অতেকপা মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা ফিরাক্কী মখল কয়ামরুম ফহনবগী মথক্তা মপাঙ্গল কন্না থম্বদসু মতেং পাংবা ঙম্মী। হায়রিবা মহী অদু মখল কয়াগী কেন্সর লায়নাশিংসু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। উ-মরোয় পাম্বীগী মনা অসি বেক্টরিয়া হীংকুপ মখল কয়ামরুমসু হাৎপা ঙম্মী। হায়রিবা মহী অসি মীওইবগী ইম্যুনগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা লায়না কয়ামরুমদগী ঙাকথোকহনবসু ঙম্মী। দিমেন্সিয়া (Dementia) হায়না খঙনবা অহল ওইশিল্লকপদা কাউজল থীবা লায়না অসিদা উ-মরোয়গী মনা অদু চাং নাইনা পীজবদা থোইদোক্লা কান্নহল্লি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা পাউদল্লি। হায়রিবা অসি মীওইবগী পূক্লিং-ৱাখল লৈতাদবদসু কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। ইন্দিয়াগী অরিবা অনা-লায়েং পথাপ্তা উ-মরোয় পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদুদা অচা-থুম খরা তুমহল্লগা পীথক্তুনা চাবা তুমদবা অমদি থজিন শাওগৎপা অদু লায়েংনৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা র্যুমেটিজম হায়বদি তাং চাওথোক্তুনা চিকপা-নাবদা উ-মরোয়গী মনা অদু শুগাইরগা চাং নাইনা তৈবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। অশোক-অপন তৌবদা শুগায়রবা মহী অদু চাং নাইনা তৈবদা অশোকপা অদু থুনা ওইশিনহনবা ঙমহল্লি। পাম্বী অসি দাইবেটিসকীসু অফবা হীদাক অমা ওইনা শীজিন্নৈ। মহৈ অদু হু চেনবা মরম্না চাবীরোইদবনি। ●